*"ঐখোয়না অশেংবদগীদি ৱাখলনা শাগৎপদগীনা হেন্না তোয়না অৱাবা নংই।" --Seneca*

# শৈরেং

## 'পঙনুংদা নুংশি'

**— আর কে মীনা**

লায়র লমজানি হায়নৈ
খম্বদো নোংমতসু উখিদে
চম্না ৱারী তাবগী ৱানি
ঐঙোন্দা শেল পীখিদে
ৱারী শানখিদে অদুবু পঙনুংদা নুংশি
থম্মোয়দা মাবু শোন্নৈ পূম্নমক্না।
অদুবু নোংবানদু মমিংদা তাবদা
নুংশিদে কনামতনা য়ানীংদে
খঙদবনা খঙলবদি মীওইবনা
নুংশিননবা চৎপা লীচৎনা
খ্বাইদগী অথোইবনি হায়না হায়নৈ।
খম্ববু থাংজিং চীংজাওগী
অশোঙবা নারক্তা লংশিল্লবসু
অঙাওবা কাওগী নাক্তা থাজিনবসু
পাম্বা কৈগী খয়াত্তা হুনজিল্লবসু
ফৎত্রবা নোংবান্না নোঙ্গাখ্রগা
খম্বনা চীংখুবগী মমোম থোইবীগা
ৱাইথুংনখি হায়দো।

## পূক্লিংগী ৱা (৯)

**— নন্দলাল রোয়**

নক্লা লাপ্লা শাৎখ্রবী মালিকা
হিয়াঙ্গৈগী থাবলদা চাইথোরকপা লৈনম্না
চিংলি ঐবু ননাক্তা চৎলুসি
খঙদরে খোঙসে থাংগদ্রা থাংলোইদরা।
খুন্নাইনা চিংলিবা লারবা লৈইসে
করম্না লানগনি তিঙ্খংগী মরক্তা
হাঙলবা খোঙয়ানি ঙাইরি যুগদবগী
থম্মোয়দুনা ঐবু য়েংবা ঙম্লিবরা?
ঐদি নঙবু ঙসিসু নীংশিংলি
ঐখোয়নি মরী লৈনদ্রে হায়বসে
শন্দোকপীনবা কনা 'মতা লৈখিদরে
ঐখোয়'নী মরী লৈনদ্রবা নৎত্রনে।

## পোইনু লৌরোক থা

**— শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

মৈশা হন্থরবা পোইনু থাগী
নুমিৎকী মঙালদা হৌখ্রবা থৌদোক
ৱাথোকশিং ইমাংদা শাঙদ্রোং
শাংনা তারদুনা লৈরি।
পোইনু লৌরোক পাম্বা য়ৌরকপদা
নহাক্কী হুমাং মরিক মরিক্তুনা
তাশিন্দুনা খাম্বীরম্লবা লৌবুক
লম্ধাংদগী থোরকপা মহৈ-মরোং
মখোয় মশেল য়েন্নরি
ইকায়-ইকি ৱাংমা লান্না
নীংঙাই শঙদান্নরদুনা।
থৌদোক ৱাথোকশিং অসে
ঙসি করিগী ৱাখল অসিদা লাক্লিবা,
পুর্ণিমা মতুংগী থাজনা
মুশি-মুশিনা তারি।
নোংঙাল্লমদাই শজিক থবাসু
কোরৌগী মঙালনা ফাওরক্ত্রিঙৈ
তনিক-তনিক উরক্লে
পূন্সিসু পোইনু লৌরোক
থানা লোইখিবগুম্না লোইখিগনি।

## ক্লাককী লানবাউ চরোইগী তে-তু

**— এল বীমোলচান্দ**

হেরা! চীন চেন্থি থীবা হাকমল্লেদা,
চীন হেক থীবগা নোংমৈ-বোমগী লান্দা
করিনো লমদমসিবু মপূ পানখিদ্রবরো;
লৌ-মপু য়োংনা তানখ্রমাল্লে হায়নরিসিবু
মণিপুরগী মরাইবক্লা নৎত্রগা
নিংথৌগী অরোইবা মতম্লা?
লৌনম লাংথাক্কী ইৱাই-ইনিলনা পীরকপা শাফূদা
মোইনাগুম, তেনৱাগুম তন্বীরকপতনি ঙাঙজরিবসু
ঙাঙলুদ্রে কদায়-হুমাং অনপ্পী কাংজরি;
হাদ-নিংথৌ 'তুয়াম্বা নমাংসু লাং নতুংসু তেন
কলিদা খুদৈ কঙবা নংদে খঙদবরা?
নহাকথক থম্বালগী মরাইবক তেমশিংনখ্রে
পৃথ্রি, পাৎ-তুরেল লৈত্রক চৎলনি, কমদৌনি
থমচেৎ য়াওদবা থম্বাল, থম্মৌ তাদবা থম্বাল;
নাপলগী দোলাই তোংলিঙৈ মঙজরম্বা
ৱার ওন দ্রগকী মঙলানদু মীকপ থোরকপদা
নমি নত্তনা কনা লৈরমদ্রে কমদৌ'তাই
ময়াই লম্নসু কুইরমান্নে-মীরাইখিবসু।

## বসন্তগী অয়ূক্তি লোইখরে

**— নাওরেম মঙ্গি**

বসন্তগী অয়ূক্তি লোইখরে
পূন্সিগী নুমিৎ তাগদৌরে।
মায়কৈ পূম্বা মমশিল্লক্লে
নোংলৈ নুংশিৎনা হুম্লকপদা
ঈথক-ঈপোমসু কনশিল্লক্লে।
তোৰ্বান্দা হোঞ্জিন্নবা লাক্করিবা
ঐগী পীক্লবা হিসে
মীৱাগী তমথীবা ঈপোম্না
ঈপাক্লোমদা অসুম পুথোকখ্রে
পন্থুংফম য়ৌররোইদ্রা খল্লক্লে।
শুক্লা মম্লবা অহিংসিদা
নৌরেন য়াওদনা হোল্লক্লিবা
ঐগী যুরবা ৱাকয়ৈসে
মায়কৈ খঙদা তাউখরে
কদোমদা লমথুংফম্লো খঙদরে।

## নুপী

**— ৱাহেংবম থোইবা মৈতৈ**

ইচা চাউরগা নুংঙাইগনি
ইমৌ ফংলগা ইশা কোম্লগনি
ইশু নুংশিবা উবা ফংলগনি
মপা-মপু ওইবা কয়াগী
অৱাবা পোৎলূম খরদি কোক্লগনি
মদুদি পূম্নমক ওন্ন-তৈনরম্লে।
ইচা চাউরগা মপাল চাবা
ইমৌগী অথীবা খোল চাবা
মসি নত্তনা ওইরমদরে
ইচাগী মপাল চাববুদি।
মনেম-মকু থৌগল তৌনীংদবী
মীতৈ চনুরা কয়ানা
ইরমদমগী যূমথোঙ কয়াদা
ঙসিমক খুরিবা মৈখুসে
ইচানুপা পোক্লুবগী মহয়রা।
নিঙোল পোকপী কয়ানা
নিঙোল মৱা কয়াবু
মথুন্দা শাজৈ থাবদি
মা খক্তরা মচা নিঙোল পোকপী।
নুপীনা নুপীদা ওৎপা
কাঙলূপ-ফূরুপ মৈতৈ মীতৈরা
হংলুরবসু কনানা পাউখুম পীরক্কনি
মশানা মশাবু খঙজদনা।
যূম্নাক শাগৈ ওনখ্রবা মচা নিঙোলবু
হঞ্চক-ঙাচক শাবা নিঙোল মমা
মশীং খরা য়াওরি ইফুরুপসি
করম্বা মতমদা মীকপ থোক্কদবা
মৈতৈ মীতৈ নুপীনা ৱাখল তাগদবা।
নুপীনা খুন্নাই মোৎহল্লি
নুপীনা ইমুং থুগাই
নুপীনা মচিল-মনাও খৎনহল্লি
নুপীনা অপোকপা অপোকপী
ৱাখল ঈং-তপ্লা লৈহন্দে
ঙম্মীদকো হে নুপী ওইবীশা।
নুপীনা হায়বা য়ারবদি নুংঙাই
নুপীনা ঙাঙবা লৌরবদি
মীমাঙ থোকই, চাং তাই
মসি খঙদবা নুপা খরদি
ঐখোয় ঐখোয়না পোক্লুবদা য়াওরম্লে।
পোকপদা হরাওরুনু হায়বা য়াই
শিবদসু কপনীংগনু খনবা তাই
ঙসিমক উরিবা মশক মওংসি
ইরমদম খুন্নাইনুং অসিদা
নুপীনা নুপীদা পীরিবা
থল্লিবা মীৎয়েং অসিদি
ইমুং কয়াগী যূম্বাল ঈচেলদা।

## হিংনা-হিংনা খঙনা-খঙনা

**— কোঞ্জেংবম লেম্বা মৈতৈ**

লম্বী লমজাও সড়কতা অঙাওবগুম
চাক্লি ফিনিবগুম কোইচৎ চৎলিবা
লৈতবগী... লায়রবগী... চাক্লিবা নত্তে
লৌশিং লৈরবা মীওইবনা পূনশিল্লু
হায়বদা তানীংদবা... অনী থোকপী অহুম থোকপী
ঈরোলনুংদা লুপখিনি কিবনা চৎপনি লমজাওদা।
নোক্লনিংবনা মশীং ময়াম্বনি
অহৈ অশিংনা চেঙ্গুম শৌবগুম শৌবনি
করম্বা থৌদোক ৱাথোক্কী ৱারোইশিন... লৈবনো?
অমা লোইদ্রিঙৈ অমগী অমুক ময়োল চোংলকপা
হিংবগী মহাও খঙলিবরা নখোয়বু
হিংনা-হিংনা খঙনা-খঙনা অশিবা ওইরেদো।
মখোয়গীদমক্লি লেংজুম অনীদা পোৎলূম পুরিবা
অচাকপা মৈরিনা থম্মোয়দা মৈচাক ফাওরিবা
চৈথেং কয়া ফংলবসু অমকপা লৈতে...
চৈথেং মাগীদমক চৈঙাক ওইনবা
লমজাও সড়কতা চৎপনি... ঐ অঙাওবা নত্তে
চাক্লি ফিনিবসু নত্তে... ইমাবু নুংশিবগীনি।

## 'থম্বালগী ৱাকৎ'

**— মোইরাংথেম কুলচন্দ্র**

লুর-লাইজ
ঈপাক্তা শাৎচবী
থম্বাল!
মালংগী তাম্থাদা
হাইনা হুম্না শান্নজবী
খোইমু-খোইরেন্না
ঙাওজবী!
নুমিদাংৱাইগী
হিরোয়শিংগী
ঈশৈগী সুরদা তিন্নজবী
থম্বাল!
থম্বীরে- ঙসিদি
অমোৎ অকায়না
থল্লবা কোমদা
লৈখোক্তগী থদৎতুনা
ঙসিদি!
পামজদ্রে
থম্বালনা
লাইগী খুয়াদা চঙজবা
মীহৌ চাউবা মরক্তা।
তিলহনবীয়ু
লুর-লাইজ ঈপাক্তা
মালংগী তাম্থাদা
জগোয় শাজগে
হাইনা-হুম্না।

# অৱা-পোল্লোইনা লোইশিনখ্রবা ২০২৪

**মতম মতমগী ৱাখল**

**মাখোনমনি মোংসাবা**

গ্রীক্কী ফম্বাক লীলাশিংদি অয়াম্বনা অৱা-পোল্লোইনা লোইবা,ত্রেজিক এন্দিং প্লে য়াম্না লৈখি। লীলা-ড্রামাদি নুঙাই পোল্লোইদগী অৱা-পোল্লোইনা লোইবনা হেন্না মতীক ময়াই লৈবগুম তৌই। অয়েংবশিংনা পেঞ্জবা ফংই। থিয়েটর ক্রিতিকশিংনা নৈনবগী লোইবা নাইদবসি অৱা পোল্লোইগী ড্রামাশিংনি। সোফেক্লেসকী থেবান্স প্লেশিং ঙসি ফাওবা শোন্নরি । মসিনা ফম্বাক লীলা-ড্রামাগী ৱানি। তাইবং লীলা ড্রামাদসু গ্রীক লীলা ড্রামা কয়াগী মচৎশিং উবা ফংই।



2023 May 3 to 31st. December 2024

মতম অমদি অনৌবা চহী লাকপসি মীপূম-খূদিংমক হরাউনৈ। চীংখোং চীংয়া,সেকমাই তুরেল,লৌবুক-লম্‌হাংদা পীক্লিক য়াম্না চৎনরম্মী। চহী লোইশিনবগী বাই বাই, চহী হৌবগী হেপি নিয়ু ইয়ার পাংথোক্লে। পাখং লৈশাসু খুদোল পীনৈ, অচা-অথক লান্নৈ। লৈশাশিংনা কৈথেন্দগী লৈজরুবা দেমসিগী মচু-মচুগী লংনা খুৎ চঙনা লোঞ্জবা চহী হৌবগী ফ্রেম চনবা ৱাহৈ য়াম্না থেংনখি। কৈথেন্দা রুমান মোনখুম,মোম্পাক ফিদক য়েকপা মী ফাওবা লৈরমখি। উখিদবা কুইরে। মানা মানা ঙম্বা হোৎনজবনি। খুদোল চম্না পীনজবনি। হেপি নিয়ু ইয়ার থাবা মোনখুম, রুমাণশিং অনৌবা চহী নঙনবা লোল্লগা মথংলেনশিংদা খুদোল তমজবনি। ফুরিৎ-ফিরোলসু লৈবীনৈ। কনা অমনা চহী হৌবা নুমিৎতা চাক চানৈ। শুমাং লীলা ফাওবা তৌনরম্মী। ঐখোয়সু অঙাং ওইরিঙৈদা, নিয়ু ইয়ারনি হায়রগদি মথোং-মরম খঙদনা পংনুংদা নুংঙাইখি। কৈথেনদা হাইগৎলগা গ্রিটিং কার্দ, অনৌবা কেলেন্দর লৈনখি। শিগনি হায়বসি কনাসু খল্লুদে। নিয়ু ইয়ার অমা লাকপসি তাইবংদা খোংদারক্লবশিংগী ওইনদি মশাগী ওইরিবা চহী অদুদা চহী অমা হাপচিল্লবনি। হিংবগী পূন্সি লম্বী তেনশিল্লকপনি। পূন্সি শাংদোকপা নত্তে,অশিবগী লম্বীরোমদা নিয়ু ইয়ার খূদিংগী চহী অমমম চঙশিনবনি হায়বসিঐখোয়না কাওথোক্লরি। কূপ্পা খল্লুরগদি নিয়ু ইয়ারদি নুংঙাইফম নীংশিংবা নুমিৎ নত্তে। খল্লুরগদি পূন্সিসে য়াম্না নুংশি। লোইবা নাইবা মপোক্লি। মপুনা থারকপা চৈশিং শুরগা ঐখোয়গী পূন্সি লোইখিগদবা ঙাক্তনি। অশিববু নীংশিংলগদি ঐখোয় কনাসু থবক অমত্তা তৌনীংলরোই।

চহী অমা হায়বসি মমল য়াম্মী। চহী অমগী মনুংদা অফবা থবক ময়াম অমা পাংথোক্লে। চহী অমা লোইবসি অরীবা ৱাখল লোইবনি,অনৌবা চহী অমা লাকপসিনা অনৌবা ৱাখল অমা হৌবনি,অফবনি হায়না লৌনদুনা অনৌবা চহীবু তারাম্না ওকচরকপনি। ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসি হৌজিক অনৌবা চহী ২০২৫ অসিবু তরাম্না ওক্কদ্রা ? হৌখিবা চহীগা লাক্লিবা চহীগা অনীসি খেন্নবা লৈরোইদৌরি। তোঙানবা অমা নত্তে শম্নরিবা চহীনি। চৎখিবা চহী ২০২৩ অমদি ২০২৪ অনীসি লমদমসিদা করি ওইখি হায়গদ্রা করি ওইরি হংগদ্রা ? মমাংগী চহী ২০২৪ অসিগীদি অৱা পোলোই ৱারী লোইদ্রি। ইংরাজি গ্রমারগী প্রজেন্ট নৎত্রগা পাস্ট পর্ফেক্ট কন্টিনিঅস হায়বদুরা? হয়েং হংচিৎ লাক্লিবা চহী ২০২৫ অসি করি ওইগদগে? মমাংগী চহী ২০২৪গী লোইহৌদবা থবকশিং অনৌবা চহীসিদা মখা চৎথখিগদ্রা ?

মণিপুরগী মমাংগী লৈঙাক্তা, অনৌবা চহী নিউ ইয়ারগী খুদোলদা পি আর ওইনা লৈখি। মণিপুরগী পূৱারীদি মখল মথেলনি। অনৌবা চহী হৌবা নুমিৎতা থোকখিবা থৌদোকসু মখল মথেল লৈখি। চহী খরা পাংথোকলম্বা সঙাই ফেষ্টিভেল লেপখিবা কুইরে। থাংজ নোংমাইজিং নুমিৎলা নীংশিংবা থোক্তে,ইম্ফালগী কংলা পার্কতা লম্বী থৎলগা নুমিদাংৱাইরম ফজবা চৌক্রিশিং থাদুনা অচা-অথক কৈথেল কাখিবদুসু কাওবু কানওরে। তুং কোইবা ওইখিদে। থৌরাংদি ফজখি। মদুদগী ৱাখল লাকখিবা ওইবা তাই লম্বীগী মতাইশিংদা ঐখোয়গী মীওইশিংনা শেমজবা মখল-মথেলগী চানবা য়োনফমদি হৌজিক মফম খূদিং হাংদোক্লরে। মতম অমা নুমিদাংদা,অসামগী লম্বীগী মতাইদা থেংনখিবা খানা পারা, জ খানবন্ধ মানবা চানবা য়োনফমশিং নীংশিংলকখি। মণিপুর য়াম্না চাউখৎলে। দিল্লি,বোম্বে, বেঙ্গলোরগী লম্বীগী মতাইদা ফম্বা কৈথেলগা চপ মান্নরে। নুমিদাংদা মৈনা পূমঙান ঙাল্লি। মীবু পোৎ-চৈ লৈনীংহল্লি। মশা নাল্লি,অচা-অথক য়োনবশিং কোক্তা শম-না কেন্দনবা অরংবা প্লাস্টিক কোকউপ টুপী উপ্পসু য়াওরি। হোটেল মেনেজমেন্ট তম্নরুবা,ইন্টররিয়র দেকোরেসন তম্নরুবা, মকে শেম্বগী বিউটি পাল্লর তম্নরুবা য়াওনরকপদগীনি। মোমো, চৌ-চৌ য়োনফম মশীং য়াম্না উই। মঙ্গল চানা য়োনফম,পাক্লম-বোরা, শীংজু য়োনফমসু মচি-মচিদা খর খরদি উরি। য়েলহৌ অচাপোৎ, কবোক হৈঙালদি লুহোংবা শোরাৎ, লাই-তিন খুরুম্বগী হৈথা-পোত্থা কৎপগী খক্তা ওইনা লৈহৌরে।

চাওনা উবা ফংখিদবা, মফম মাঙখিবদি লমদমসিগী হরাউ-কূম্মৈ, লীলা-ড্রামাশিংনি। ঈশৈ অমদি লীলাগী শিনফমদা লৈজরম্বশিং শিনফম হোংনখিবা মীওই কয়া লৈখি। মশাগী পোৎ-চৈ য়োম্থোক্লগা হিংবা ঙম্নবা,শিনফম হোংখিবা কয়াগী ৱারী তারি। প্রটাপ টকিজ,ভিক্টোরি সিনেমা,ফ্রেন্দস টকিজ,উষা সিনেমা মমিং তাখিদ্রে। মতম অমা পাউনা কৈথেলদা সিনেমা হোলশিংগী মপাদা মীনা পীক থন্না তিনখিবদো হৌজিক্তি ইহাং হাংলে । পাউনা কৈথেল চঙদবা কুইরে। সিনেমা হোলশিংদগী মতম অমা লৈঙাক্তা কারম্বা এম্যুজমেন্ট টেক্সসু কাখিদ্রে। লৈঙাকলোনগা খুন্নাইলোনগা পূন্না চৎমিন্নদ্রি। ঐখোয়গী মীয়াম লমূক্লরি। খুৎকা চিনগা, ৱাখলগা পূক্নীংগা নাকন নাকন চৎনবগুম থেংনরি। বন্দ ব্লোকেদ ৱাহৈসি হায়নখিদবা কুইরে,সটদাউন,শিন্থা লেপ্পনা মহুৎ শিনখ্রে। ধারনাগী মহুৎ, ৱাকৎ মীফম হায়খ্রে । লোন শেম্বা হৈবসু য়াম্না লৈ । ইরোলদা হায়রকপসিমদি ফৈ। অনৌবা চহী লাকপদা খ্বাইনা, হান্নগী হৌখিবা চহীবু তাম্থোক্লে। অনৌবা চহীবু মৌ অনৌবীনা লাকপগুম তরাম্না নুংশিনা ওক্করকই। হেপি নিউ ইয়ার ৱাহৈ অসি চহী হৌবগী উনবদা হায়নরকই। মরুপ-মপাংদা গ্রিতিং পীনরকই । লাক্লিবা চহী ২০২৫ অসি হেপি নিউইয়ার হায়দুনা ওকচবা য়াগদ্রা ? হেপি এন্দিংগী লীলা শান্নখিদবদি কুইরে। নিউইয়ারগী খুদোল পীনখিদ্রে, কাওনখ্রে। হোংলক্লিবা শাজৎ অসি করিদগীনো? চাউখৎলকপগী খূদম্লি হায়বদি তায়োন্নগনি।

হৌজিক্কী মতমসি অশেঙবা মহৈরোয়সু লৈত্রে । মী লোয়নমক শিন্তাকপা ঙম্মী। কনাগুম্বা অখঙবা অমনা ঙাঙবা ৱাদা লোয়না তাবীনবা মীসু লৈত্রে। ঙাঙবা লোইদ্রিঙৈদা খঙবনা লোয়না হান্নখি। অমনা ঙাঙবা অমনা তানদবা মতম্লি । মীবু থিনা থিনা চৈবা, হুন্দুনা ঙাঙবদা পেন্নরি। ইকায়বদি মচেৎ অমত্তা পক্লদ্রে । নুপা-নুপী হায়বা লৈত্তে,চপ মান্নৈ । মীনা করি হায়নখিগদগে, কনানা করি হায়রিগে খন্থনদে। ইকায়বদি ঙসি খর ফ, হয়েং খর ফ, হংচিৎতি পুংকাও কাওই হায়বা মোইরাং নোংবান অথা কোংয়ানবগী ৱাদুদা তারে। লমদমসিগী মশক্লাইবা মী অয়াম্বা নোংবান ঙাক্তা ঙাইরে। মোইরাং কংলৈরোনগী নোংবানবু ওইরদি ফগনি। মোইরাংগী অঙোম নোংবান্দগীদি তম্নিংঙাই য়াম্না লৈ। মোইরাং নোংবানমকসু ওইদ্রি । মতমগী নোংবাননি। লমজেনসু য়াঙদে,মূক্না কাংজৈসু হৈতে। চিন কাংজৈদি তাক্লরুদ্রবসু য়ারি। অশেংবা নোংবানগী মচিন্দা কবোক পোকপা হায়নবদুদগী হেনগনি।

মতমসে পাম্মুই। চহী অনী মপুং ফাজিল্লক্লে মংথোং থিংবা হৈতনা,লোইশিনবা ঙমদনা লৈরক্লিবসি। হৌখিবা পুৱারীগী ৱারীদা,অৱা লান মায় পাক্কদ্রা পাকলোইদ্রা হায়দুনা,নরসিং গম্ভীরসিং মচিন-মনাওনা কছার লৈবাক্তা লৈবা চাওরবা ঈশিংগী পাৎপু লেং ওন্দনা শিৎলগা (লেং ওন্দবী পাৎ) লাইবক য়েংখি। ঙসিগী লুচিংবশিং নরসিং গম্ভীরসিং,হিরাচন্দ্রগী ৱারীসি কাওখিবা ওইরগসু হৌজিক্তি নীংশিংবা চূম্মী। মৈত্রৈগী অশেংবা ঈ চেল্লগদি মীয়াম্না ঙাঙনরিবসি ৱাখন খন্থফম থোকই। মথং চহী অনী শুরকপদদি মীয়ামগী মীখনসু থুংলরনি। মতম অদুদদি ঙসি তৌখিবশিংগী অশেঙবা মহৈদি খঙলনি। হৌজিক্কী ফিভম মওং অসিদা অসুম লৈরগদি মথং লাক্কদৌরিবা চহী অনী মতুংগী নিয়ু ইয়ারগী খুদোল পোৎ করি ওইগদগে ঙন্না খঙবগুমসু তৌরি। নোংবান্না মাইবী চঙলগা ফাওরকপা লাইফাও, লাইপাউ অদুদি নত্তে। লমদমসিগী মীশিংসে ৱাবা য়াবা ৱারে। থম্মোয় কায়দবা তাশোন্না থিন্দবা মী লৈরমলোই। অৱা-পোলোইনা লোইশিনবা চৈচৎ কুমশীং ২০২৪ সি অমুক হন্না লাক্তবদি ওইসনু। ●

# মতম কুইরবগী তুংদা-১০

**ৱারী ককনাউ**

মনাক্তা লীচৈগুম্বা চৈ অমা শাংদ্রোং শাংনা তারগা লৈ। চৈদুগী মনাক্তনি রোবিতাগী নুপা ইবোতোম্বনা মশাদু লৈতাফম খঙদনা ফম্মীসি। মনাক্তা তাদুনা লৈরিবা চৈদু অমুক পায়, অমুক থম শ্বরদু ফি-ফি কামদুনা লৈতাফম খঙদনা লৈরিসি। মাগী নুপী রোবিতা হল্লক্ত্রি, মমায়দু মখূৎতুনা অমুক-অমুক নাল্লি। শ্বর চাউনা-চাউনা হোল্লি। চাউরাক্লা পুং ৫গুম্বা তারকপা য়াচংলকপা মতমনি। থাজমানবীদু থোঙ্গাললোমদগী প্রপ-প্রপ চঙলকই। মাঙ্গোলদা ফল্লিবা ইবোতোম্বনা লীচৈদু পায়খৎলগা নুপী অমা চঙলকপদু উবদা ফুক লাউনা হৌগৎলকই। অদুগা লীচৈদু খূৎপায় চেৎনা পায়শিল্লি। ফীভমদু উবদা চঙশিল্লক্লিবা থাজমানবী শুমাং মচিদা চপ লেপ্পী। মাগী চোংখৎলক্লিবা মীহুলদু ফাথরগা হংই।

"যূমসি ... রোবিতাহোইগী?"

"কৈগীনো?"

"ৱা অমা হায়গে লাকপনি"

"করি ৱা?"

"অরুবনি"

"নহাক কনানো?"

"ঐ মোহেনগী নুপীনি"

"মোহেন হায়দি?"

"রোবিতাগা কোয়নরিবা নুপাদো"

"হায়বদি?"

"রোবিতাদু নুপা অমগা কোয়নৈ হায়সি কৈমতা খঙদবরা?"

"খঙদে"

"অদুদি শোমসি কনানো?"

"ঐ মাগী নুপানি"

"মাগী নুপা, অদুগা ঐনা মাগী নুপী"

ইবোতোম্বদু লৌশিংগা লোইনা মাঙলে। লাক্লিবা নুপীদুগী ৱাঙাঙ-ৱাতাদুদা মকোক্কা পুমচাই চাইরে। মখূৎতা পায়বা লীচৈদুনা মশাগী মখোঙদা মথন্তা শেৎ-শেৎ কঞ্জরদুনা লৈমায়দা পোপ লাউনা থাদৈ। অদুগা মমিৎনা থাজমানবীদা মুন্না য়েংলগা,

"নঙনা হায়রিসি কয়াম থাজবা য়াবা ৱানো?"

"চান্মদা চাম্মা থাজবা য়াবা ৱানি"

"অশ! নঙগী পাউসিদি, য়ু ঙাওবগা পুমহন হেক হল্লিহে"

"পায়রিবা লীচৈদু কৈদৌনবনো?"

"মী ফূগে হায়না পায়রম্বনি"

"মীদু ঙসি ঐনা হোটেলদগী ফারে"

"কাইদা?"

"বজারদা"

"কনা কনা?"

"নঙগী নুপীগা ঐগী নুপাগা পূন্না"

"লোইরেদনা তৌরিসিদি, ঐনা নহান্না খজিক-খজিক চিংনরবনি, মসিগী নুপীসি মওং অমা তৌই হায়না"

"ঐগী নুপানা মাগী মমিং কাইকু কৌই" হায়।

"কাইকু হায়বা?"

"ফোন য়াম তোয়না তৌরকই। মৱা লৈবী মানা নুমিদাংদা ঐগী নুপাদা তোয়না-তোয়না ফোন তৌরক্লিবা, অয়ূক-নুংথিল খাক্তনা তৌরিবসি কৈমতা য়েংশিন্দবরা? কাউ থাবগুম থারিরা?"

"নঙগী ৱাদু ওন্নরে। অদুগুম্বা শাজৎ চৎলু হায়বসি নুপা অমত্তনা মাগী নুপীদা হায়রম্মোই। ঐ মদুম্না তৌ হায়না হায়খিদে। মা ঙসিদি ৱা লোইশিন্নবা তারে। লাক্তা লাকখিসনু"

"মা লাক্কনি থাজদে"

"করিগী?"

"ঐগী নুপাদা মাবু শিন্নরম্মগা ঐ যূমদা লৈরম্মরোই হায়না অরোইবা কায়না য়াথং পীরম্লগা লাকপনি। ঐ যূমদা হল্লগে হায়না লাকপনি। অদুবু পাউসি রোবিতাগী নুপাদা তম্বীরমগে হায়না চঙলকপনি"

"ঐ মদুগী লমন খুমদনা তোক্লোই, নুপাসু-নুপীসু অনীমক হাৎকনি"

"নঙগী নুপী হাৎপগীদি ঐনা থিংবা ঙমদে, অদুগা ঐগী নুপাদি হাৎপা য়ারোই"

"নঙবু মীনম্লগা ঐগী নুপী কোইরিবা নঙগী নুপাদু নঙনা অমুক কনখৎপা পাল্লিবা"

"ঐসু মাগী মথক্তা লমন শিংখিগনি, অদুবু মা হাৎলগা লমন শিংবদি পামদে"

"করম্বা লমন খুৎশিংনো নঙগীদুনা"

"দু ঙসি নুমিদাং ঐ খনখিগনি, অদুগা হয়েং নঙোন্দা হায়রক্কে। ফোন নম্বর পীরকউ"

ইবোতোম্বনা মাগী ফোন নম্বরদু থাজমানবীদা হায়। থাজমানবীনা নম্বরদু মাগী ফোনদা সেভ তৌশিল্লগা মিস্‌দ কোল অমা পীরকই। ইবোতোম্বীগী খোঙ্গাও ফুরিৎখাওদা ফোনদু ক্রিং-ক্রিং খিংলকই।

"অদু ঐগী নম্বরনি সেভ তৌশিল্লু"

ইবোতোম্বীনা ফোনদু লৌথোক্লগা সেভ তৌনবা মমিং হংলকই।

"করি হায়না সেভ তৌদৌরিনো?"

"থাজমানবী হায়য়ু, ঐগী ইমিং থাজমানবী কৌই"

"থাজ...মান...বি" ইবোতোম্বীনা সেভ তৌশিনখ্রে।

"নঙগী নুপীদা ফোন তৌরগা ফজনা কৌশিল্লু, কৈমতা খঙদবা শারগা অদুগা নশাগী ওইবা ফিরেপ অমা নথন্তা তূমিন্না লৌজৌ। ঐ চৎলগে, কোন্না পাউ ফাওনসি" থাজমানবী থোকখ্রে।

"হোয়" ইবোতোম্বী লৈহৌরে। লুপা ৩০গী থক্লকপা যুগী ময়াই পুমচম চমখ্রে। থাজমানবীনা হায়রম্বা ৱাদু সুম মাগী নাকোংসিদা নিন্দুনা লৈরে।

***"নঙগী নুপীদা ফোন তৌরগা ফজনা কৌশিল্লু, কৈমতা খঙদবা শারগা, অদুগা নশাগী ওইবা ফিরেপ অমা নথন্তা তূমিন্না লৌজৌ। ঐ চৎলগে, কোন্না পাউ ফাওনসি"***

ইবোতোম্বী মাগী ফোনদু পায়খৎলগা মাগী নুপীদা কোল অমা তৌশিল্লি। শাউদ্রে, য়াম ঈংথরে, য়াম্না নুংশিনা কৌখি।

"হেল্লো..." ●

**- নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্‌ লম্‌পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৪০৬)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

অসিনা লোইবা লৈখিদে। মাইকৈ নোংচুপ লমদম পাংবা লম। য়াংলৌ লমদম অমা। পাৎশোই লমলেল লমমহলদা। হুয়েল লালদা খৌশাবনে। লমলোই পাৎশোই লমমাহল ও মিংথোল মিংকৌখিবদি। করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। কমবোং থেমচানু। নোংয়াই খুমন চনু। লৈমা শাঙদীংঙালবী। নাপা নারুমকাঙবীনা। মৈদিংঙু মকুগী মচা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯴꯰꯶)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯀꯅꯤ॥)

ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯂꯣꯏꯕꯥ ꯂꯩꯈꯤꯗꯦ॥ ꯃꯥꯏꯀꯩ ꯅꯣꯡꯆꯨꯞ ꯂꯝꯗꯝ ꯄꯥꯡꯕꯥ ꯂꯝ॥ ꯌꯥꯡꯂꯧ ꯂꯝꯗꯝ ꯑꯃꯥ॥ ꯄꯥꯠꯁꯣꯏ ꯂꯝꯂꯦꯜ ꯂꯝꯃꯍꯜꯗꯥ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯈꯧꯁꯥꯕꯅꯦ॥ ꯂꯝꯂꯣꯏ ꯄꯥꯠꯁꯣꯏ ꯂꯝꯃꯥꯍꯜ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯈꯤꯕꯗꯤ॥ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ॥ ꯀꯝꯕꯣꯡ ꯊꯦꯝꯆꯥꯅꯨ॥ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯈꯨꯃꯟ ꯆꯅꯨ॥ ꯂꯩꯃꯥ ꯁꯥꯡꯗꯤꯡꯉꯥꯂꯕꯤ॥ ꯅꯥꯄꯥ ꯅꯥꯔꯨꯃꯀꯥꯡꯕꯤꯅꯥ॥ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯃꯀꯨꯒꯤ ꯃꯆꯥ॥ ●